ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯐꯦꯕꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ৩১১শুবা মশীং


# নুপীসু মীনি

## খুন্নাইসিনা নুপীবু হন্থনা য়েংলব্রা

মীওইবা খুন্নাইসি নুপা অমসুং নুপী অনী পুল্লগা শেম্বনি। নুপা খক্তনসু অদুগা নুপী খক্তনসু মীওইবা খুন্নাইসি ওইহনবা য়ারোই। অনীসি শেলয়েক মশা অমত্তগী মমায় অনীগুম্বনি। অনীসিগী মরক্তা শেৎতোক্লবা য়াদ্রবা অচেৎপা মরী লৈনৈ। অদুবু হৌখ্রবা চহী কয়াগী মমাঙদসু নুপীবু হন্থনা অমসুং তাথী-তাওইনা য়েংবা/তৌবগী থৌদোকশিংদি অদুম্মক থোক্তুনা লাকই। হায়রিবা থৌদোকসি মণিপুরগী অমসুং লৈবাকসিগী খক্তগী ওইবা ৱাফম নত্তে। মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা মখলসি লৈবা মফম পূম্নমক্তা থোকই। খেন্নরিবা হায়ববু চহী খরগী মমাঙদনা য়াম্না তাঙনা, তঙাইফদবগী ফীভমদা থোক্লম্মী। অদুগা হৌজিক্লা য়াম্না তোয়না থোকচিল্লকপা অসিনি। ইস্নোন কাংদনা থোকচিল্লক্লে হায়দুনা ফাওবা হায়বা য়ারক্লবা ফীভমসিদনা পীকখ্রবা মণিপুরদনা অমুক্কা হেন্না থোকচিল্লকপগুম তৌরক্লি। ওইরক্লিবা ফীভমসিদি মীপাইনিংঙাই ওইরকপগী মথক্তা ওইহল্লকফম থোক্তবা অমসুং থোরকহল্লকফম থোক্তবনি হায়হৌদবা য়ারোই। মমাঙগী চহী ২০২২দা নৎত্রগা মসিগী মমাঙদা থোকখিবা য়াওনা অনৌবা চহীনি হায়রিবা কুমজা ২০২৩সিদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদগী লোয়নমক কোখোক্লুদ্রবসু ফেব্রুৱারী ৭, ২০২৩গী নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শঙাইথেল অৱাং লৈকায়গী কৈথেল মচাগী মফম অমদা লৈবা ইমুং অমদা থোকখ্রিবা থৌদোকসি লৌখৎপা য়াই। মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবা অদুগা পীক্লিবা মচানুপা অমসু চেল্লিবা মৌনহা অমা লৈখিদবনি। মহাক মথন্তা শিজনবগী অচৌবা মরমশিংদগী নান্থোকচহৌবা ঙমজহৌদদুনা শিজবা ওইরম্বদি য়াই, মথন্তা শিজবনি হায়নসু হায়রিবনি। অদুবু মহাক মথন্তা শিজবা ওইরম্লোইদ্রা হায়বগী ৱাফম থোরক্লিবগী মরম্না মহাক্কী মীশিসি অহানবদা হু থকপনি হায়রগা থৌরি য়ান্দুনা শিবনি হায়দুনা অমুক হায়রকপনি। মসিগী মথক্তা মশাগী মফম অয়াম্বদা ফূবগী চৈফম লৈরম্মী হায়বসিনি। হায়রিবা ৱাফম পূম্নমকসি লৈখিদ্রবা মৌনহাসিগী অপোকপী মমানা ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৩দা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগা উন্নরুবদা ফোঙদোকখিবনি। তৌবগীদি অপোকপী মমানা পোকচবী মচা কাইনবগী মৈচাক পুবা ঙমদদুনা হায়বদা অশোয়বা-অরানবশিং য়াওরবা ফাওবদা মৌনহাসিগী চপ চাবা মীশিগী মরমদি মহাক্কী হকচাংদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখিবনি। মসিগী রিপোর্টতদি অচুম্বা খঙগদৌরিবনি।

অদুবু মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি মহাক মথন্তা হু চাদুনা নৎত্রগা থৌরি য়ান্দুনা শিজবা ওইরম্লবসু পীক্লিবা মচানুপা অমা চেল্লিবা মহাক্না মশাবু মাঙহঞ্জনবগী অরোইবা ফিরেপসি মতৌ করম্না লৌহনখ্রিবনো? কনানা লৌহনবনো? অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরিবা মপুরোইবা অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনরা? মহাক্কী ইমুংগী শেন্মীৎলোন অমসুং পুন্সি মহিংনরা নৎত্রগনা খুন্নাই অসিগী থৌইনশিন্দগীরা হায়বসিনি। ৱাহংশিং অসি থোরক্লবনিনা থৌদোকসিগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসতা য়ূম্ফম ওইরগা থৌদোকসি থোকখিবগী চপ চাবা মরমশিং খঙদোক্লবা হোৎনবা চুমগনি। পূম্নমকসি নীংথিজনা তৌরগা লৈখিদ্রবা মহাক অমুক হল্লক্কদবদি নত্তে। অদুবু মরম খঙদোকহৌবনা তুংদা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোরকহন্দবদা অচৌবা পাম্বৈ ওইগনি। থৌদোক্তু মীনা থোকহনবা ওইরম্লগনা চেন্নরিবা মীওইদুদা মরালগী মতিক-চাবা চৈরাক পীবা ঙমগদৌরিবনি। মরম অসিনা মহাক্কী কেসসিগী মতাংদা কমপ্লেনেন্টনা নৎত্রগা মরাল লৈরবনি চিংনবা য়াওনা মীওই অমত্তগী ৱাফম পূম্নমক তুংওইনরগা ইনভেষ্টিগেসন নীংথিজনা চথবা চুমগনি হায়নীংই। অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি শিখ্রবনিনা লোইরে, অশিবনা মাঙজরে, অমুক হল্লক্কদবা লৈত্রে হায়দুনা শুরু-শুরুদা তূমিন্না লৈশিনবা চুস্লোই। কেসসি লম্মখাংদা মাঙহনখ্রগনি হায়বা নত্তে। মাঙহন্দনবা হোৎনহন্নীংই হায়বনি। মরমদি পীকখ্রবা মণিপুরসিদা মতাং মতম চাদনা নুপী শিবগী থৌদোকসি য়াম্মনখ্রে, তোয়মনখ্রে। তোয়না থোকচিল্লকপদগী খুন্নাইসিসু চেনবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরবনি হায়বসি কাউথোক্লগুমসি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১) **“নাউহোং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“য়ুখল”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **“মীতৈ লোনগৈদা লোনয়ান”** কৌবা লাইরিক অসি মপান মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমনা খোমজিন্দুনা পুথোরকপনি। খোমজিন্দুনা পুথোরক্লিবা অসি কনানো?

৪) **“চীংয়াদা তময়াদা হৈকোলদা লৈকোলদা/ঈশিং চাইবীনা মরৈ হা-হা তম্বদা/লোক্লুংগী ঈফুৎ মচানা ত্রোং-ত্রোং লাউনা চেনবদা/শংবান্নবা অতিয়াদা উচেক্লা পাইবদা/অহিংদা চীংজাউনা তুমিন তুমিন্না লেপ্পদা/মেঙলবা মেরাগী থাবলদা/শুমহৎচরবসু মহৌশাগী ফজবদা/ইনিংলুদে শৈথাদুনা শৈরেং/অদুনা থি ঐনা অনৌ-অনৌবা মখল।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“হৈদি”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপা লাইরিকনো অমদি মসিগী ওরিজিনেল অইবদু মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ

ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q.** লাইউতোং কৌবা নাপী মখলদু অয়াম্বা মফমদা হৌজিল্লে। পান্থীশিং থাবদা অকায়বা য়াম্না পীরে। মসি হাৎনবা হীদাক অমত্তা হায়বীরকউ।

**- কুল্লজিৎ থাওনাওজম, কৈবী**

☞ য়ারিবমখৈ পান্থীশিং কুংনা থাজিনবীয়ু। লাইউতোংদা নত্তনা অতৈ পান্থী কয়াসু হন্থরক্কনি। য়াম্না তোয়না খোইবা মফমদা নাপী মখলসি য়াম্না থুনা শন্দোকই। নাপী মরূ (রাইজোম) দু মফম খুদিং শন্দোকখি। লুপা ১০০ পীবা হেন্দ ৱিদর শীজিন্নদুনা নাপী মরূশিংদু য়ামদ্রিঙৈদা মস্থোকসি।

হৱাই মখলশিংগী মরক্তা হৌবা, লফু, কিহোম্নচিংবশিংগী মরক্তা হৌবা ওইরবদি বসাগ্রাম মিলিলিটর ৬০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকসি, নাপীশিং হাত্তোকসি। অহাঙবা লম্ম্যাং ওইরবদি Glyphosate 41% মিলিলিটর ১০০ ঈশিং ১৫দা য়ানশিল্লগা কাপথোকপা য়াই। অদুবু হীদাক শীজিন্নদবনদি হেন্না ফৈ।

**Q.** ষ্ট্রোবেরি থুম্বা ৱাৎপসু য়াওই, হেক্লবা মতুংদা নোংমা নীনি থম্লগা থুম্বা হেনগৎলক্কদ্রা? খরা হেন্না থুম্নবা করি তৌবা য়াবগে?

**- মাইবম বিমোলা, নম্বোল**

☞ ষ্ট্রোবেরিসি Climactric fruit নি। হেক্লবা মতুংদা থুম্বা হেনগৎলক্লোই। মপূং ফানা মুল্লবা মতুংদা হেকসি। উহৈ অমসুং মখল কয়াগী পান্থীশিং মপূং ফাবা হেনগৎহনবা ঙম্বা Win Choice মিলিলিটর মরি ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপা য়াই। হীদাকসি ওর্গেনিকনি হকচাং শোক্তে।




**Q.** ষ্ট্রোবেরিদা ঈশিং পীনবা লৈশিল্লক্ত্রে। ঈশিং লৈরগা অসুম শীজিন্নরবনিনা শেল চঙবা হেল্লে। ঈশিং চংবা হন্থবা য়াবা, পান্থীদসু শোক্তবা, ওর্গেনিক্কী মনুং চনবা পায়খৎপা য়াবা থৌরম অমত্তা খঙজনীংই।

**- রোমিও ওক্রম, থৌবাল নিঙোম্বম**

☞ Myco Gold (vesicular aurbuscular mycorrhiza) গ্রাম ১০০ ভর্মিকম্পোষ্ট কিলোগ্রাম ১০০দা য়ানশিল্লগা একর অমা চাওবা মফমগী ষ্ট্রোবেরি মখোঙদা হাপ্লা কান্নে। নৎত্রগসু ড্রিপ পাইপতা থাগদৌরিবা ঈশিংদা য়ানশিল্লগা ঈশিংগা কোন্ননা পান্থীশিংদা য়ৌহনখিবা য়াই। মসিনা ঈশিং খরা ৱাবা মতমদসু পান্থীশিংদা ঈনিল ফংহল্লি, লায়না তাবা হন্থহল্লি। পান্থীনা মচিঙ্গাক লৈবাক্তগী চিংখৎপা লায়হল্লি।

**Q.** ওর্গেনিক ওইনা পুথোক্কদবা লৌফমদা পোলি মলচ শীজিন্নবা য়াদে হায়না তাজে। ঈশিংনগা তাঙবনে, নাপীসু হৌগল্লি; সোইল টেম্পরেচরসু চুম্না থমনীংই অদুবু পোলি মলচ শীজিন্নবা য়াদ্রবদি করম তৌনি?

**- সনাতোম্বা, কাইরেনবীখোক**

☞ চুম্মী, প্লাষ্টিক মচেৎশিংনা কোইচাই চাইরবা মফমদু ওর্গেনিক্কী ফার্মনি হায়বা য়ানীংলরোই। অদুবু মলচ মখল য়াম্মী লৈবাক্তা ইরায় লায়না তুমহনবা ঙম্বা য়াম্না পুথোক্লুরক্লে। লৈবাক্তা লৈজবা হিংকুপ, ঈশিং ঈনিল অমসুং মলচতু শারিবা পোৎলমগী মতুংইন্না ইরায় লায়না তুম্বা ঙম্বা মলচর য়াম্না লৈরে। অমা হেক্তা শীজিন্নসি। মতম হেক লোইবগা লৈবাক্তা ইরায় লায়না তুমহনবা য়ারে। ৱারোইসি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*

**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**

**চিঠি থারকফম**

**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**

**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**

**নৎত্রগা অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# শেন্দোং হেন্না ফংনবা ভেলন্দ্রি থাবগী অচুম্বা কাঙলোন

**- এস সুমঙ্গল -**

ভেলন্দ্রি মীয়াম্না পাম্নবা এঞ্জাং মখলশিংগী মনুংদা অমনি। মসিগী শীজিন্নফমদি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মসিগী কান্নবা খরা য়েংসি। ভেলন্দ্রি গ্রাম ১০০ দা য়াওবা মরু ওইবা চীঞ্জাক্কী মচন খরা থমজগে। চনাং (কার্বোহাইদ্রেট) - গ্রাম ৬.৪, প্রোটিন গ্রাম ১.৯, ফেট গ্রাম ০.২, পোটাসিয়ম মিলিগ্রাম ১০৩, কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ৬৬, ফোসফরস মিলিগ্রাম ৫৬, মেগনিসিয়ম মিলিগ্রাম ৪৩, সোদিয়ম মিলিগ্রাম ৬.৯ য়াওই। হায়বদি চাবদা হাওবদা নত্তনা হকচাংদা কান্নবা মচল কয়া য়াওরি হায়বনি। লোয়ননা ভেলন্দ্রি থাবদা শেন্দোং নীংথিনা ফংবা ঙম্মী, য়াম্না ফবা এঞ্জাং মখলনি হায়বা তাই। খরা খঙজিনমিন্নবা কান্নগনি খল্লি।

**মখল ঃ** অফবা মখল কয়া অমা মমাঙঙৈদগী লৈরকই অদুবু মণিপুরদা মরূ-মরাং য়োনবীরিবা দিষ্ট্রিব্যুটরশিং, দিলরশিং অসিনা হৌজিক্তি অনৌবা মখল কয়া অমা মপান্দগী পুশিল্লক্তুনা মণিপুরদা মায় পাক্লা থানরে। মণিপুরদদি মরু ওইনা অফবা কম্পেনি কয়ানা পুথোকপা মখলনা অয়াম্বা ওইনা তৌরে। মখোয়শিং অসি মরূগী মমল খরা তাঙজরগসু ফত্তে হায়বদি য়ারোই। মখল খরা থমজগে - অরকা অনামিকা, য়ু এস - ৭৯০২, ভিন্দি নম্বর ১, বাসন্তি পনবা য়াবা চাথোক লৈবা হায়ব্রিদ মখলনা অয়াম্বনি। অরকা অনামিকাদি হায়ব্রিদ নত্তে অদুবু য়াম্নদি ফবা মখলনি। পঞ্জরিবা ভেলন্দ্রিশিং অসি লোয়নমক পান্থীনা নেল্লিঙৈ মতম হায়বদি মনা অহুম-মরি শুবদগী পানবা হৌবদুনা পান্থী অমদা মহৈ ২৫-৩০ হেন্না পানবা ঙাক্তনি। মসা-মরেং কয়া লোঙ্গনদে, মহৈগী মচু অশংবা ওইনা তৌই। পান্থীনা লীশিল্লক্লবা মতমদা মখোঙদা মসা মচা অনী অহুম লোঙথোরকপা থেংনগনি। লোংলকপা মসাশিংদসু অদুমক ভেলন্দ্রি পানবা থেংনগনি। পঞ্জরিবা মখলশিং অসি পান্থী অসিগী খ্বাইদগী শাথি হায়না লৌনরিবা ভাইরসকী লায়না YVMV (Yellow vein mosaic Virus) তাগন্দবা মখলশিংনি। মসি নত্তবা মসা খরা হেন্না লোংবা, মহৈ য়াম্না চাউবা নাপু হায়রপ চংনা শাংনা মহৈ পানবা হায়ব্রিদ নত্তবা, ইশানা মরূ লৌদুনা থাবা য়াবা অফবা মখল খরসু লৈতবা নত্তে। মখোয়সু অফবা মখলনি খঞ্জরগা মরূ লৌদুনা অদুমক থাবা য়াবা ঙাক্তনি।



পাক শন্না ভেলন্দ্রি থারিবা মফম অমা

**অইং অশা ঃ** ভেলন্দ্রিগী খ্বাইদগী চান্নবা অইং অশাদি ২৫°সি- ৩০°সিনি। কা হেন্না ইংবা পক্লদে। কা হেন্না শারবসু পক্লদে।

**থাবগী মতম ঃ** মণিপুরদা ভেলন্দ্রি অসি ফেব্রুৱারিদগীনা এপ্রিল ফাওবা অদুমক থাবা য়াই। খরা ঙন্না ফেব্রুৱারি থাদা নীংথিনা হৌহনবা ঙল্লবদি মমল ৱাংনা য়োনবগী তাঞ্জা ফংই। মরমদি অয়াম্বনা থা অসিদা মায় পাক্লা ভেলন্দ্রি মতোন চোংহন্দুনা হৌহনবদা খরা ৱাই, খূৎ খরা চঙই।

**লৈবাক হৈলাও ঃ** ভেলন্দ্রিদি লৈঙোই অমসুং অকনবা লৈতান লমদা পক্লদে। ফোলি তাবা ওর্গানিক মেটর য়াম্না য়াওবা loam অমসুং ঈশিং নীংথিনা চিথোক চিশিন য়াবা হায়বদি ঈশিং তুংগন্দবা মফমদনা খরা হেন্না পক্লে। অশিন অয়াক্তি PH ৬-৬.৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবনা খ্বাইদগী চান্নে।

**অরন অকুং ঃ** মণিপুরগী ওইনদি ফেব্রুৱারি থাদা থাবদা খরা কুংশিনবা ফৈ অদুগা এপ্রিলদা থারগনা খরা লন্থোকপা ফৈ। মরমদি এপ্রিলদা থাবা মতমদা কুমগী নোং খরা নঙবা য়াই, নোং নংলবদি ভেলন্দ্রি খরা ৱাংগল্লি। ফেব্রুৱারিদা থাবগীদমক পরেংগা পরেংগা ফুট অমা মখাই, পরেংগী মনুংদা পান্থীগা পান্থীগা ফুটখাই অমা ওইহনবা চপ চারে। এপ্রিলদা থাগে হায়রবদি পরেংগা পরেংগা ফুট অনী অদুগা পান্থীগা পান্থীগা ইঞ্চি তরাদগী ফুট অমা ফাওবা ললহনবা ফৈ।

**ফৈদোম শেম্বা ঃ** ফৈদোমশিং খা-ৱাং ওইনা লৈহনসি, ফৈদোম অমদা পরেং অনী থাবা য়ানবা শেম্বনা খ্বাইদগী ফৈ। মরমদি মসিনা ভেলন্দ্রি হেকপদা খূৎলোয়বগা লোয়ননা পান্থী শেন্থী শাবিবা, মখোঙ শোম্বনচিংবদা নুংঙাইবা হেল্লি। ফৈদোমগী অপাকপা অসি অরনবা কাঙবুগীনা ফৈদোমগী মতাইদগী মতাইফাওবা ফুট মরি অদুগা অকুংবা কাঙবুগীনা ফুট অহুম ওইহনসি। ফৈদোমগী মরক্তা ফুট অমগী চুরি ফুটখাই অমা লুনা থমসি।

**মরূগী চাং ঃ** ফেব্রুৱারি থাদা থারবদি শঙমদা কিলো মঙামুক অদুগা এপ্রিলদা থারগনা কিলো অহুম মখায়মুক চঙগনি।

**মরূদা হিদাক তোৎপা ঃ** মরূ কিলো অমদা সাফ গ্রাম অনী মমুৎ তানা কংনা তোৎপীয়ু। নৎত্রগা কেপটেন ওইরবসু চপ মান্নবা চাংদা তোৎশি। বাইওগী ওইরগনা ত্রিকোদর্মা য়াওবা হিদাক মরূ কিলো অমদা গ্রাম ৭-৮ তোৎপীগনি। বাইওগা রসায়নগা কৈদৌনুংদা পূন্না তোৎপা য়াদে অমা নৎত্রগা অমা শীজিন্নগনি।

**থাবা ঃ** ভেলন্দ্রি মরূ অহিং অমা ঈশিংদা তিংথোক্লগা থম্বনা খূৎলৈ থুনা হৌবা হেল্লি অদুবু ঈশিং ৱাৎপা মতমদা ঈশিং পীবা ঙম্লোইদবা ওইরবদি তিংবিরোইদবনি। থারবা মতুংদা চুরিদা ঈশিং থাজিনবা নৎত্রগা অতোপ্পা মওংদা ঈশিং চনবিবা ঙম্লবদি তিংথোকপনা খ্বাইদগী ফৈ। চরূ চনাই নৎত্রগা মলচিনগী (লৈমাই কুপশিনবা) প্লাষ্টিক্কুম্বা শীজিন্নরবসু য়াম্না ফৈ। মসিনা লৈবাক্তা য়াওবা ঈনিল ফাজিন্দুনা পান্থীদা ফংহল্লি লোয়ননা নাপি হৌহন্দবা ঙম্মী।

**হার হাপ্পা ঃ** শন্থী ষণয়ুংগী নৎত্রগা কম্পোসকী হার লৈরবদি শঙম অমদা ষণ গাড়ী মপোৎ মঙা-তরুক হাপ্পীবা ফৈ। থাগদবা থা মখাই অমা মাঙজৌননা লৈবাক্তা খোইজিনবীহৌবনা খ্বাইদগী ফৈ। পান্থী য়ামদনা ফৈদোম খরা থাবগী ওইরবদি কাঞ্জুলদা হায়রিবা হার অসি খুজেক অচৌবা অমমম হাপ্পীগনি। রসায়নগী হারদি শঙম অমদা য়ুরিয়া কিলো ৪৫-৫০, এস এস পি কিলো ৭৫-৮০, এম ও পি (পোটাশ) কিলো ২০-২৫ ফাওবা হাপ্পা য়াই। হাপ্পগী মওংদি - অরোইবা লৈবাক খোইবদা য়ুরিয়া শরুক অনী থোকপগী অমা (কিলো ২২-২৫) এস এস পি অমসুং এম ও পি পূন্না হাপ্তুনা মমূৎ তানা খোইজিনবীহৌগনি। মপান শারমদাইদা লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী তঞ্জাই অমা অদুগা অমুক থা মখায় অমা লৈরগা লেমহৌরিবা শরুক্তু হাপ্পীগনি।

**ঈশিং চানবা ঃ** ভেলন্দ্রি ঈশিং তোইনা চাইবিবা ফৈ। হপ্তা খুদিংগী ঈশিং চাইবিরবদি চাথোক য়াম্না লৈগনি। ঈশিং চাইবগী খ্বাইদগী ফবা, ঈশিং য়াম্না চংদনা, পান্থীদসু চপ চানা ঈশিং ফংবা ঙম্বা মওংদা, ঈশিং মাঙহন্দনা ঈশিং চনবগী মওংদি Sprinkler শীজিন্নবনি। মসিগীদমক ০.৫ হোর্স পৱরগী তুলু (ঈশিং পম্প) অমা ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা, মখোক/মচৈ য়াওবা Sprinkler nozzle অমা, তুলুদুগা চান্নবা পাইপ খরা, পয়া খরা, পোষ্ট ওইনা য়ুংননবা মচৈ (ৱাগী নৎত্রগা উগী) অমখক শীজিন্নরগা য়ারে। তুলু পানখৎপীরো, পাইপ শন্থীরো, পাইপকী অরোইবা মতোন্দু Sprinkler nozle দা হুকচিল্লগা রবর রিবননা (য়েৎতুনা পুন্নবা শাংতক তৌবা রব্বর মরী) চেৎনা পুনবিরো, মফম চানা য়ুংদুনা থম্নবা মচৈদু য়ুংলগা নোজলগী মচৈদু উয়ুংদুগী অৱাংবদগী নোজল মতোনদুনা ৱাংবা খরা হেনগৎনা মওং চুম্না পুনবিরো, তুলু থারো, অসুম্না নোজল মতোন্দগী লৈ-লৈদুনা শীনবা থুংনা চাইরকপা ঈশিংনা লৈবাক চোৎপগী চাং য়েংবীরো, মফম হোং হোংদুনা লৌফম শিনবা থুংনা ঈশিং চাইবিবা য়ারে।

**লায়না তীলনা ঃ** অখঙ অহৈ তানদুনা মতম মতমদা তারকপা লায়না তীলনা ঙাকথোকসি।

**হেকপা ঃ** ভেলন্দ্রি হেকপা খরা লুই। মপূং ফারবা মহৈ অদু মতোন পায়দুনা অনোপ অতিং য়েংবীগনি, খরা নোপলিঙৈদা হেকপীগনি। নোংমা নোংমা কাল্লগা চেক তৌরগা হেকপীগনি। অরিবা য়াওরম্লবসু হেকতোকপীগনি। অরিবা হেক্তোক্ত্রবদি মখা তানা পানবা হন্থগনি। ভেলন্দ্রি মতু পানবা পান্থী মখলনি। মরম অসিনা খরা পাক শন্না থাদুনা হোৎনরবদি হেকপা মতমদা খূৎনা হেকপগী মহুৎতা অথৌবা কাটিগুম্বা অমা শীজিন্নদুনা হেকপীগনি। হৌজিক্তি ভেলন্দ্রি হেক্লবা খূৎলাইসু লৈরে, অমা অনী থম্বীবা ফৈ। মসিনা হেকপদা খুলং য়াম্না চঙহন্দবনা শেঞ্জং হন্থহনবা য়াই। লোয়ননা শেন্দোং হেন্না ফংহনবা ঙম্মী, হেকপা মতমদসু খূৎতা অশোক অপন থোকহনবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। খূৎতা গ্লোব শীজিন্নদুনা হেকপসু ফৈ।

**পোথোক ঃ** অয়াম্বা ভেলন্দ্রিশিংগী ওইনা শঙমদা কিলো ১৫০০ দগীনা ১৬০০ ফাওবা থোকপা ঙম্মী।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফমশিং অসি খঙনা ভেলন্দ্রি থারবদি শোয়দনা শেন্দোং ফংগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।